# য়াওশঙ স্পোর্টসতা মীৎয়েং অমা

—লৈশাংথেম অজিৎ—



*য়াওশঙ* মনুংদা মণিপুরগী তম্পাক্তা শান্ন-খোৎনবগী থৌরমশিং পাকশন্না পাঙথোক্লবসু থৌরমশিং অসি পাঙথোকপগী মপূং ওইবা পান্দমশিংদি মপূং ফানা ফংবা ঙমহন্দবা অসি লমদম অসিগী লায়বকথীবনি। য়াওশঙ স্পোর্টস পাঙথোকপগী চাউরাক্লা পান্দম অনী লৈ। অহানবা পান্দমনা লমদম অসিগী অঙাংশিংবু শান্ন-খোৎনবগী লমদা শরুক য়াহন্দুনা হীরম অসিদা পূক্লিং থৌগৎপীদুনা তুংগী পুন্সিদা মায়পাকপা শান্নরোয় অমা ওইহনবখক্তা নত্তনা অফবা নাগরিক (সিটিন) অমা ওইহনবনি। অনীশুবা পান্দম্না য়াওশঙ মনুংদা শান্ন-খোৎনবগী থৌরমশিং পাঙথোক্লবদি য়াওশঙদা ইনখৎলক্লিবা নুপামচা অমদি নুপীমচাশিংনা অবের তৈনবা, মচু শংবা মহি কাপশিন্নবা, লন্বীদা নুপীমচাশিংনা শেল মুনবা, শেল মুনবদা থৌরি তিংদুনা গাড়ী অচৌবা, মচাশিং থৎতুনা থম্বনা গাড়ী চৎপদা অপনবা পীবগী ৱাথোক ওইবা ফত্তবা থবকশিং অসিদগী লাপথোক্নবা অমদি হরাউ কুম্মৈ মশীং হন্থহল্লগা খৎন-চৈনবা, ময়াই কাবা পোৎলমশিং চাবা অমদি হাৎন-শুনবগী চাং হন্থরক্লবনি।

অনীশুবা লাঞ্জাওগী মমাঙদা ইম্ফালগী ময়োল বজারদা লৈবা ময়াংশিং হায়বদি লল্লোন ইতিক তৌবা মরৱারি, পঞ্জাবী অমদি বিহারি, বঙ্গালী অমসুং অতৈ ফুরুপকী মীওইশিংনা মণিপুরগী খুল্লক্তা পুল্লপ পুল্লপ চঙলক্তুনা মীতৈ নুপীশিংদা অবের তৈবা অসি মীতৈ নুপাশিংগী মীৎ নাবা থৌওং অমা ওইরম্মী। অসিগুম্বা থৌওং অসিদগী লাপথোক্নবা লৈখিদ্রবা হিজম ইরাবত সিংহনা য়াওশঙগী স্পোর্টস হৌদোকখিবনি। অহানবা য়াওশঙ স্পোর্টস অসি লৈমপোকপা কৈরুংবগী লম্পাক্তা, য়াইস্কুলদা লৈবা মণিপুর ষ্টেট রোদ ট্রান্সপোর্ট কোওপরেসন (এম এস আর টি সী) গী ওফিস ওইরিবা, মতম অমদা লম্পাক ওইরম্বা মফম অসিদা পাঙথোকখি। ৱাফম অসিগী মতাংদা 'ঈহৌ' পাউচেগী এদিটর ওইরম্বা অকোয়জম সনাতোন সিংহনা য়াইস্কুলদা লৈবা হিজম ইরাবত সিংহগা তিন্নরম্বা অমদি মহাক্কা লোয়নরম্বা অহলশিং উনদুনা হীরম অসিগী মতাংদা হংনরবা মতুংদা মখোয়না ৱাফম অসিগী মতাংদা ময়েক শেংনা তল্লকখি হায়না অকোয়জম সনাতোন সিংহনা অইবদা পাউদম্লকখি। মহাক্লা হৌদোক্লম্বা য়াওশঙ স্পোর্টস অদুমক মোইরাংখোমগী লম্পাক লৈবা মফমশিংদা চহী কয়ামুক পাঙথোক্লমখি।

শান্ন-খোৎনবদা থৱায় য়াওবা লমদম অমা ওইবনা অনীশুবা লাঞ্জাও হেক লোইখিবগা ইম্ফালগী মফম খরদা য়াওশঙ স্পোর্টস তৌবা হৌনরকখি। তেরা কৈথেলদা লৈবা আইদিএল ক্লব য়াম্না ঙন্না রেজিষ্টর তৌরবা অমদি ঙল্লিঙৈগী মতমদগী স্পোর্টস মিটশিং পাঙথোকপা হৌরে হায়না অহল লমন অমদি মরুপ মপাংশিংনা শন্দোক্লা পাউদম্বী। কুমজা ১৯৪৬ তা শিংজমৈ ৱাংমা ক্ষেত্রি লৈকায়গী নহারোলশিংনা অকামপাত্তা য়াওশঙ স্পোর্টস পাঙথোক্তুনা চহী কয়ামরুম চত্থরম্মী, অহানবা স্পোর্টস অদু অশিন অরাং তৌবদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা য়ূম্নাম কুঞ্জো সিংহনা হায়রম্বদি শিংজমৈদগী মোঙখাংলম্বী ফাওবা স্পোর্টস অদু পাঙথোক্লবা পৈশা খায়বদা লুপা ৭ মখায় ফংখি, শেনফম অদুনা স্পোর্টস অদু ইরায় লায়না শিনবা ঙম্মী। ব্রহ্মপুর বামোন লৈকায়, থোম্বুথোং ময়াদা লৈবা ধর্ম্মলায়া ক্লবনা হন্দক্তা ৭০ শুবা য়াওশঙ স্পোর্টস পাঙথোকখি। ব্রহ্মপুর ষ্টুদেন্ট সোসাইটি হায়না কুমজা ১৯৩৭ তা লিংখৎখ্রবা মতুং কুমজা ১৯৪৭ তা ধর্ম্মলায়া হায়না মমিং ওনথোকখিবা ক্লব অসিগী থৌপুবশিংনা তাকপীরকপদি কুমজা ১৯৪৭ কী মমাঙদগী য়াওশঙ স্পোর্টস অসি হৌখ্রবনি অদুবু অইবা রেকোর্দ অমত্তা ফংদবনা রেকোর্দতা ফংবা চহী (১৯৪৭) অসিদগী মশীং থিবা হৌখিবনি। ক্লব অসিগী মতিক চাবা শান্নফম লম্পাক লৈজদে, মখোয়গীদি বেদমিন্টন হোল অমা, বাস্কেটবোল কোর্ট অমা, কোর্ট অসিগী হেক মতায়দা কলচরেল প্রোগ্রাম পাঙথোকপা য়াবা ষ্টেজসু ওইবা য়াবা পেভিল্লিয়নসু ওইবা য়াবা বিল্ডিং অমা লৈ। শান্নফম মতিক চানা লৈত্রবসু হৌজিক্কী মতমদা মণিপুরদা য়াওশঙ স্পোর্টস খ্বাইদগী হেন্না মপূং ফানা পাঙথোকপা ক্লবশিংগী মরক্তা অমা ওইবখক্তা নত্তনা চহী লিশাং শিৎনা চত্থরকপা খ্বাইদগী কুইরবা য়াওশঙগী স্পোর্টস অমনি হায়না লৈবাক্লা খঙনরি। ক্লব অসিগী থৌপুবশিং অমদি শান্নববু অশিন অরাং তৌরিবশিং থবক অসিগী লমদা থোয়দোক হেন্দোক্লা হৈথোই শিংথোইবশিংনি। চহী ৬০ মথক্কী মীওইশিং অসিনা অশিন অরাং তৌদুনা শান্নবা অমদি কলচরবু য়োকখৎপা ওইনা নুমিদাংগী মতমদা অঙাং, মীয়াই চল্লবা অমদি অহল-লমনশিংবু জগোয়, ঈশৈনচিংবদা মশাগী হৈশিংবা অদু মীয়াম মমাঙদা পাঙথোকহল্লি।

স্পোর্টস অমা পাঙথোকপদা খ্বাইদগী মরুওইবা মচাক্তি শান্নবুংনি। ইম্ফালদা শান্নবুং মরাং কায়না লৈতে, মতৌ অসুম্না মণিপুরগী তম্পাক্তা লৈরিবা দিষ্ট্রিক্টশিং অসিগী হেদ ক্বার্টরস ওইরিবা মফমশিংদসু শান্নবুং মরাং কায়না লৈতে। মরম অসিদগী কুংনা তাবা মফমশিং অসিদা য়াওশঙগী মতমদা ক্লব মচা মচা, লৈকায় মচা মচাশিংনা তোঙান তোঙান্না মতম অমত্তদা স্পোর্টস পাঙথোকপা মরম্না শান্নবুংগী অৱাৎপা কয়ামরুম লৈ। মরম অসিনা অশিন অরাংশিং অসিনা অফং অফংবা মফমদা খুদোংচাবা য়েংলগা স্পোর্টস পাঙথোকই। য়াইস্কুল, শিংজমৈনচিংবা ম্যান্মার রোদতা লৈবা মফম খরদা লম্বীগী মতায়দা থৌরি খাজিল্লগা শান্নবগী থৌরমশিং পাঙথোকপগুম্না মণিপুরগী অতৈ মফমশিংদসু মরুওইনা ইম্ফালদা লম্বীগী মতায়দা, কৈথেলগী অহাংবা মফমদা, লৈরক্তা অমদি অহাংবা লম মচেৎ অমা ফংবদা য়াওশঙগী স্পোর্টস পাঙথোকই।

মীয়াম্না য়াওশঙ স্পোর্টস পাঙথোকপা পাম্মী মরমদি মখোয়গী মচা-মশুশিংবু শান্ন-খোৎনবদা শরুক য়াহন্নীংই অমদি য়াওশঙগী অবের তৈনবা, পৈশা মুনবী, ফী মুনবা, থৌরি তিংদুনা গাড়ী থৎপী, নুপামচা নুপীমচাশিংনা গাড়ীশিং থৎপা, থাপ্না কোয়বা চৎপা, থাবল চোংবদা অমদি অবের তৈনবদা নুপামচাশিংনা ফুনা চৈনবা, হাৎন-শুনবা অমদি মকোক মরু থুগাইনবগী থৌদোকশিংদগী লাপ্না লৈহন্নীংই। য়াওশঙ স্পোর্টস পাঙথোকপা লৈকায় অমদি খুঙ্গংদা নুপীমচাশিংনা শেল মুনবগী থবক অসি তৌদে, অবের তৈবা থিংই, হরাউ কুম্মৈগী মমিংদা য়ু থকপা ঙমদে, খৎন-চৈনবগী থবক থাদোকই। অসিগুম্বা থৌওংশিংঅসিনা মমাঙঙৈগী ফত্তবা চৎনবীশিং তপ্না তপ্না মাঙখি।

অসিগুম্বা য়াওশঙগী স্পোর্টস পাঙথোকপা অসিনা স্পোর্টস মুভমেন্টগী অচৌবা খুন্নাই অমনি। মসিনা অঙাংশিংবু শান্নবদা শরুক য়াহনবগী কান্নবা ফংহল্লি। মখোয়দা লৈবা টেলেন্টশিং খঙদোকপা ঙম্মী। শান্নবদা শরুক য়ারবদি মখোয়দা হোৎননীংবগী ইথিল অদু পী অমদি তুংদা থোয়দোক হেন্দোকপা শান্নরোয় অমা ওইবগী খোঙদাফম পী। মালেমগী থাক্তা শরুক য়ারিবা মণিপুরগী শান্নরোয় অয়াম্বা তম্পাক্কী ওইনদি য়াওশঙগী স্পোর্টসতা শরুক য়ারকপনা অয়াম্বনি।

অমরোমদা, মীয়াম্না খল্লিবা অসিগী ওন্না তৈনবদা, য়াওশঙগী স্পোর্টস পাঙথোক্লবসু য়াওশঙ মনুংদা নুপামচা অমদি নুপীমচাশিংনা পামদবা থবক তৌবগী চাংদি হেনগৎলক্লিবা অসিদা থিংবদি ঙমদে। অবের তৈনবা অমদি শেল মুনবগী চাং য়াম্না হন্থরবসু শান্নবদা পূক্লিং চঙদবা, শান্নববু পামদবা নুপামচা অমদি নুপীমচাশিংনা য়াওশঙ মনুংদা গাড়ী মচা অমদি গাড়ী অচৌবদা কন্না কন্না য়াংনা থৌবগী চাং চহীগী ওইনা হেনগৎলক্লিবা অসিদা থিংবা ঙমদে। অবের তৈনবা, মচু শংবা, ঈশিং কাপশিন্নবা তোকখ্রবসু প্লাষ্টিক খাওদা ঈশিং হাল্লগা লম্বী চৎপশিংদা লংশিনবা, থাজিনবা, লৈখোম কোৎলগা মীঙোন্দা হৈজিনবগী থবক্তি চহী খুদিংগী হেনগৎলক্লি। নুপীমচা অমদি নুপামচা কয়ানা টিম টিম শাদুনা অসিগুম্বা থবকশিং অসি ইম্ফালগী মফম পূম্বদা পাঙথোকই।

মখল মখা কয়াগী মশান্নশিং য়াওশঙ স্পোর্টসতা পাঙথোকই। মশান্নশিংদি শান্নফমগী মতুং ইল্লি। অচৌবা লম্পাক লৈবা মফমদনা লমজেল, চেনজোং, তা লংবা, নূং লংবা, ফুটবোলনচিংবা পাঙথোক্তুনা অথোই অহেন তান্নহল্লি। লম্পাক মচা ওইনা লৈবা মফমশিংদদি হায়রিবা মশান্নশিং অসি পাঙথোকপা য়াদবনিনা চফু থুগাইবী, কোক ফাইটিং, অঙ্ক লমজেলনচিংবা পাঙথোকই। অদুবু অচৌবা লম্পাক্তা পাঙথোকপা, লম্পাক লৈতবা মফমদা পাঙথোকপা স্পোর্টস ওইরবসু সরক্তা চেনবা লমজেল অশাংবা অমদি মহৌশাদগী হৌনা য়াওশঙ স্পোর্টসকী মরুওইবা থৌরম অমা ওইরি।

অপীকপা অঙাংশিংবু লমজেল অশাংবদা শরুক য়াহনবা অসি য়েংবদা য়াম্না নুংঙাইতে, আইন্নসু থিংই হায়বা অঙাংশিংগী মমা মপা অমদি অশিন অরাংশিংনা খঙবীগদবনি। চহী ১৬ শুদ্রিবা অঙাংনা কিলোমিটর অহুমদগী হেনবা লমজেলদা শরুক য়াবা থিংই। মালেমগী খ্বাইদগী চাউবা এথলেটিক্সকী ৱায়েল থৌদা তৌরিবা ইন্টরনেসনল এসোসিএসন ওফ এথলেটিক্স ফেদরেসন্না অথিংবা অসি থমখিবনি। মরমদি অঙাং ওইরিবশিংনা লমজেল কা হেন্না শাংনা চেলহনবা অসিনা মখোয়গী হার্ট অমদি লঙসতা কা হেন্না থবক তৌহল্লি। মসিগী ফত্তবা কয়া লৈ। অঙাংগী চাউবা থিলহল্লি, চাউবা হেন্দে, মখোয়গী খুঊগী অমদি খুজেংগী তাঙ-তাঙদা খুদোংথিনিঙাই ওইবতা নত্তনা অয়াম্বনা টি বি নাগল্লি। মরুওইনা য়াওশঙগী লমজেল চেল্লিবা অপীকপা অঙাংশিং চাং নাইনা প্রেক্টিশ তৌবা য়াওদবা ওইনসু তৌই।

# মণিপুরদা ষ্ট্রিট ভেন্দর এক্ট ২০১৪ অথুবদা চৎনহল্লু

সত্যমেব জয়তে

STREET VENDORS (PROTECTION OF LIVELIHOOD AND REGULATION OF STREET VENDING) ACT, 2014

– থৌনাওজম মনোরঞ্জন সিংহ –
উরিপোক হুইদ্রোম লৈকায়

*ষ্ট্রিট* ভেন্দর এক্ট ২০১৪ হায়বসি ইন্দিয়াগী কনষ্টিট্যুসনগী মনুংদা লৈবা এক্ট অমনি। ইন্দিয়াদা লৈরিবা ষ্ট্রিট ভেন্দরশিংসি মফম চাবা য়েংলগা মীয়ামগী ওইবা মফমশিংদা পোৎফম ফমহন্নবা অমসুং মখোয়গী হকশিং ঙাক শেন্নবা শেমখিবা এক্টনি। মতম অদুগী হাওসিং এন্দ অর্বান প্রোভর্টি এলিভিএসনগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর কমারি শেলজানা কুমজা ২০১২ গী সেপ্টেম্বর ৬ তা লোক সভাদা বিল অসি পুথোকখিবনি। কুমজা ২০১৩ গী সেপ্টেম্বর ৬ তা লোক সভাদা অমসুং কুমজা ২০১৪ গী ফেব্রুৱারী ১৯ দা রাজ্য সভাদা বিল অসি পাস তৌখি।

কুমজা ২০১৪ গী মার্চ ৪ দা বিল অসি ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্টকী অয়াবা ফংখি। লোয়না লোয়ননা কুমজা ২০১৪ গী মে ১ দগী এক্ট অসি জম্মু অমসুং কাশ্মীর নত্তবা ইন্দিয়াদা চৎনবা হৌখি। মিনিষ্ট্রি ওফ হাওসিং এন্দ অর্বান প্রোভর্টি এলিভিএসনগী মতুং ইন্না ইন্দিয়াদা ষ্ট্রিট ভেন্দর অসি চাউরাক্লা মিলিয়ন ১০ মুক লৈ হায়রি। মুম্বাইদা ২,৫০,০০০ রোম, দেল্লিদা ৪,৫০,০০০ রোম, কোলকটাদা ১,৫০,০০০ দগী হেন্না অমসুং অহমেদবাদতসু ১,০০,০০০ দগী হেন্না ষ্ট্রিট ভেন্দর লৈ হায়রি।

মণিপুরদা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল অমসুং অকোয়বা খক্তদা ষ্ট্রিট ভেন্দর ৩০০০ দগী হেন্না লৈ। ইন্দিয়াদা লিশাংশিংনা চহীশিংসিদা ষ্ট্রিট ভেন্দরশিংনা মখোয়গী ওইবা ট্রেদ য়ুনিয়ন অমসুং এসোসিএশন কয়া শেমগৎখ্রে। লোয়না লোয়ননা মশীং য়াল্লবা এন জি ওশিংনা ষ্ট্রিট ভেন্দরশিংগী য়াইফনবগীদমক থবক তৌবা হৌখ্রে। দিল্লিদা লৈরিবা নেসনল এসোসিএসন ওফ ষ্ট্রিট ভেন্দরস ওফ ইন্দিয়া হায়রিবা ফেদরেসন অসি ইন্দিয়াদা লৈরিবা এন জি ও, ট্রেদ য়ুনিয়ন অমসুং ষ্ট্রিট ভেন্দর ওর্গেনাইজেসন ৭১৫ গী অপুনবা ফেদরেসননি।

এক্ট অসিনা ষ্ট্রিট ভেন্দরশিং অসি মীয়ামগী ওইবা মফমশিংগী, মফম চাবা মফমশিংদা হায়বদি পার্ককী অকোয়বদা ওইবা য়াই, লম্বীগী শরুক খরদনি খঙদে, ফুটপাথতা ওইবা য়াই, মহৌশাদগী লৈরক্লবা কৈথেলগী অকোয়বদনি খঙদে, ৱেত্তিং সেদ মনাক্তনি খঙদে, মীয়াম্না চৎথোক-চৎশিন তৌবদা থোইনা অকায়বা পীরোইদবা মফমশিংদা লাইসেন্স পীদুনা পোৎ



য়োলহনগদবনি হায়রি।

করিগুম্বদা ষ্ট্রিট ভেন্দরশিংনা পোৎ য়োল্লিবা মফমশিংদু মফম চারক্তবদি মখোযবু মফম চাবা মফমশিংদা হোংদোকখিনবা য়ামদ্রবদা থা অমগী মতম পীগদবনি হায়রি। খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল অমসুং মসিগী অকোয়বদা লৈরিবা ষ্ট্রিট ভেন্দর ৩০০০ দগী হেনবা ষ্ট্রিট ভেন্দরশিংসে মীতৈখক্তা নত্তে। মসিদা মীতৈ পাঙল, নাগা, কুকি, কোম অমসুং মপান্দগী লাকপা অতোপ্পা ফুরুপ কয়া অমসু য়াওরি।

খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল অমসুং মসিগী অকোয়বগী লম্বীদা পোৎ য়োল্লিবসি ইম্ফাল ময়োলদগী মী য়াম্না য়াওদে। মীতৈ অমসুং মীতৈ পাঙলশিংসে ইম্ফালদগী অনকপা অমসুং অথাপ্পা খুঙ্গংশিংদগীনি। নাগা অমসুং কুকি অয়াম্বদি কৈথেলমানবীদগীনি। কুকি খরদি বারুনি চীংখোঙদগী অমসুং সেক্তা মনাক্কী চনুংদগীনি। কোমশিংনা লৈম্রামগী ৱাটর ফোল মনাক্তগীনি।

ষ্ট্রিট ভেন্দরশিংসি অয়ূক অঙনবা চাউরাক্লা পুং ৩.৩০ অদুৱাইদগী লম্বীদা পোৎ য়োনবা হৌই। মসিনা পুলিসনা তাল্লক্ত্রিবা ফাওবা অয়ূক্কী পুং ৭.৩০ দগী ৮ ফাওবা পোৎ য়োল্লি। অয়ূক্কী পুং ১০ অদুৱাইদগী অতোপ্পা ষ্ট্রিট ভেন্দর কাঙলূপ অমনা অমুক লম্বীদা পোৎ য়োনবা হৌই। কালেন থাদা নুংথিল পুং ৪.৩০ অদুৱাইদগী বি টি রোদতা মনা-মশিং অমসুং হৈ-রা য়োনবীশিং অসিগী মফমশিংদা ঙা অতেকপা অমসুং অকংবা য়োনবীশিংনা মহুৎ অমুক শিনখিগনি।

অসুক য়াল্লবা ইমুং ৩০০০ দগী হেনবা অসি লম্বীদা পোৎ চৈ য়োল্লগা থাক্লিবনি অমসুং মচা-মশু লাইরিক লাইশু তমহল্লিবনি। অদুবু ঙসি ফাওবদা মমাঙদা লৈরম্বা কোংগ্রেস লৈঙাক অমদি লন্নাই লূপ অমত্তনা মখোয়গী য়াইফনবা থবক অমত্তা পায়খৎপা উদে।

ষ্ট্রিট ভেন্দর এক্ট ২০১৪ সু মণিপুরদা চৎনবগী মমি তাবা উজদে। মখোয়না লম্বীশিংগী মতাইদা মফম চাই চাদে খঙদনা পোৎ য়োল্লবনিনা পুলিসনা মখোয়বু মীনুংশি য়াওদনা মনীং মখা তম্না তান্নিংবা মতমদা তাল্লি অমসুং পোৎ চৈ চাইখাইদুনা অমাং-অতা থোকহল্লি। আই এম সীনা ইম্ফাল সিটিবু লূ-নান্না থম্নবগী পান্দমদা অয়ূক অঙনবদগী হৌনা আই এম সীদা থবক তৌবীরিবা ইমা-ইবেল, ইচে-ইচল অমসুং ইচিন ইনাওশিংনা পুংখাই কাংদনা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল অমসুং অকোয়বদা শিৎপগা শেংবগা তৌবীরি।

অমরোমদনা, থাঙ্গাল কৈথেলদা দুকান ফম্বিরিবা দুকান্দারশিংনা অমসুং লম্বীদা পোৎফম ফম্বীরিবা ষ্ট্রিট ভেন্দরশিংনা ৱাখল তাদবদগী লম্বীদা ফত্ত-হৌদি চাইখায়রি। থা অমমুক্কী মমাঙদদি পুলিস খক্তা নত্তনা আই এম সীসু ষ্ট্রিট ভেন্দরশিং কোয়তান তানবা অমসুং পোৎ চৈ ফাবা য়াওশিল্লক্লে। ষ্ট্রিট ভেন্দরশিং খম থেংনা অৱাবা মায়োক্লরে। লায়রবা ষ্ট্রিট ভেন্দরশিংগী খনবীরগা পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা মণিপুরদা ষ্ট্রিট ভেন্দর এক্ট, ২০১৪ অথুবা মতমদা চৎনহনবীয়ু।

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## লৈবাক চাকহোং ঙাহোংনবা ঐখোয় চীংদা খুন্দারসি

***ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,***

*কংলৈপাক* মণিপুর অসিদা লৈরিবা য়েলহৌমী খুদিংমক চীংদা হান্না খুন্দা লৈতারম্মী। তমদা অমুক কুম্লে, চীংমী তম্মী অনীগী অপূনবা লৈবাক অমা শেম্লে। চীংদা লৈহৌবা মীওই খুদিংমক চীংমী কৌনা লৈহৌরে, তমদা চৎতুনা য়ূমলিং খুল্লিংখিবা মীওই খুদিংমক্লা তম্মী নৎত্রগা মীতৈ হায়না খঙনরে। কংলৈপাক মণিপুর অসি মতম অমদা মীতৈগী লৈবাক মৈত্রবাক কৌরম্বা মতাং মতম অমসু লৈরম্মী। লাইগী চক হৌরকপা মতমদা লাইনিংথৌ লৈনুং লোঞ্জা অরিবা অমসুং নোংদা লাইরেন পাখঙবনা নিংথৌ ফম্বাল তোংদুনা লৈবাক ঙাকই। খৃষ্টগী মমাঙ য়াম্না ঙল্লিঙৈ মতমদা লৈবাকসিনা মশাগী তোঙানবা শক্তম অমা শেমদুনা লৈবাক খুন্নাই মীয়ামগী নুংঙাই য়াইফবা চাওখৎপা মালেমগী ফজবা মফম অমা ওইননবা, মীওইবশিংগী চৎকদৌবা অমসুং চৎলোইদবা মরম কয়া শেমদুনা য়ূমলিং খুল্লিংবা মালেমগী মনুংদা খ্বাইদগী লিরবা লৈবাক অমা ওইরম্মী।

ইনিংথৌ বুধচন্দ্রা মহারাজ মতমগী অরোইবা লৈঙাক ফাওবদা পানখিবা লৈবাকসিগী মশীং য়াল্লবা নিংথৌরোন কয়াগী পুৱারী সনাগী ময়েক্লা ইদুনা থম্বীরম্বা মশাগী হৌরকফম লৈজবা ইতোপ তোপ্না পাল্লম্বা, মালেম মনুংদা মতিক ময়াই লৈজবা, য়ূমলোন্নবা লৈবাক কয়ানা শকখঙনরম্বা অরংবা লৈবাক অমনি। কংলৈপাক, মণিপুর অসি মালেমগী অৱাং নোংপোক চিদাইদা লৈবা য়াম্না পীকপা অপীকপা লৈবাক অমা ওইরবসু মফম অসি ঈশিং নুংশিৎ য়াম্না শেংবা অঙৈং অশা ময়ায় ওইরপ তৌবা মহৌশাগী খল কায়দ্রিবা, চীংলোন মাপন্না ইকোয় কোয়শিনবা, হেক য়েংবদা পীক্তক্লা ফজবা মফম অমনি। অসিগুম্বা লমদম অসিদা খুন্দারিবা চীংবুরোই তম্বুরোই খুদিংমক্লা মৈহৌরোন্দগী চৎনরক্লবা কায়ফদ্রবা য়েক তরেৎ সলাই মাপন হৌরকফম অমসুং সলাই লূপতিন মশক খঙনা খুন্দামিন্নরকপা লাইওইখ্রবা ইপা ইপুশিং কয়াগী খুভম কায়দনা লৈরিবা লমদম অমনি।

অসিগুম্বা চীংমী তম্মী অনীগী পারি পুরিশিংগী হৌরকফম ওইরিবা কংলৈপাক মণিপুর অসিবু হৌখিবা কুমজা ১৯৪৯ ইনিংথৌ বুধচন্দ্র নিংথৌনা লৈঙাকপা মতমদা নোংচুপ লমগী হিন্দুস্থান লৈবাক্তা তিনশিনখি। মীরৈবাক্তা তিনখ্রবা মতুংদা লৈবাকসিনা চিঞ্জাক্তা মীপান তাংবা হৌরকখি। লোয়ননা চীংমী তম্মী অনীগী মরীসু লাপথোক্লখি। ইরমদমগী ঙমখৈ কায়গদ্রা হায়বগী মীপাইবা ফাউরকখি। লৈঙাকপা মীওইশিংদা মীচম মীয়াম্না থাজবা মাঙলকপা, ৱাথোক লাম্থোক কয়ানা অমগী মথংদা অমা, ঙসিদি লৈবাকসে মথক মখা ওনদৌরে। ঐখোয় লৌবুক কল্লসি, চাকহোং ঙাহোংনবা, লৌউ-শিংউবা য়াদবা অতোংবা লোইবী চীংশাঙ, খা-ৱাং নোংপোক, নোংচুপ্তা লৈরিবা চীংগী নাপোমদা খুন্দারসি। মৈহৌরোলগী মতৌগুম চীংগা তমগা ঙাই ওইনা, লীপুন অমনা পুল্লসি।

*অদোমগী - অসেম মোহোরি*
*শুগুনু ৱার্দ নম্বর ৯*